ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব থোইদুনা য়ু এস ওপন নুপাগী টাইটল লৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): কুমজা ২০২০গী মমিং লৈরবা টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ু এস ওপব গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা মহাক্কী লম্বা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু অকনবা লম্বা অমদা সেট ৩-২দা থোইদুনা মশাগী টেন্নিস করিয়রগী খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স অদু উৎপা ঙমদুনা কয়িয়রগী অহানবা গ্রান্দস্মা টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৭শুরবা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মনা জর্মনিগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেবকা ফাইনেল লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অনী মায়থীদুনা টাইটল মেচ অদুদা মায়থীবগী লম্বেলদা লৈখি।

অহানবা সেট অদু জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা য়াম্না ফজবা মওংদা থিয়মগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা সেট অদু থোইদুনা য়ু এস ওপ গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবগী লম্বেলদা খোং থাংজিনবা হৌখি।

মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেবনা জর্মনিগী টেন্নিস পুৱারীদা কুমজা ১৯৯৬কী মতুংদা বোরিস বেকরনা য়ু এস ওপন টেন্নিস টাইটল লৌখ্রবা মতুং অহানবা লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবগীদমক মখাতানা ফজনা শান্নবা হৌরকখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেট অদু জর্মনি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মগী লম্বা মখাতানা মান্নখি। অদুবু জর্মনিগী জ্বেরেবনা দোমিনিক থিয়মগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা গেম ৬-৪দা মায়পাকপদগী অনীশুবা সেট অদুসু মায়পাক্তুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনখি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস চুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মবু সেট ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুদা থিয়মগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা সোট কয়ানা মতেং ওইরগা জর্মনিগী জ্বেরেবকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা ফাইনেল মেচ অদু অমুক হন্না হিংগৎহনবা ঙমখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী মরীশুবা সেট অদুদা থিয়মনা অমুক হন্না ফজবা হেল্লকপদগী জর্মনিগী শান্নরোয় আলেকজেন্দর জ্বেরেবকী মশান্না অদুবু লাকশিনবা ঙমদুনা সার্ভিস গেম অমসু ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু সেট ২-২দা মান্নদুনা লৈখি।

দিসাইদিং সেট অদু টাইব্রেক্তো শান্নরকপদা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেবপু পোইন্ট ৮-৬তা থোইদুনা কুমজা ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

লৈচেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওনবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে, এবর্টননা টোটেনহামবু মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী): ইংলিস প্রেমিয়র লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানব রাউন্দগী মেচ অমদা লৈচেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওনবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা এবর্টননা টোটেনহাম হোটস্পরবু ১-০দা থোইখ্রে।

কুমজা ২০২০-২১গী সিজনগী ওইনা ইংলিস প্রেমিয়র লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা থেংথনা হৌখ্রবসু তোঙান তোঙানবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা হৌরকখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা কুমজা ২০১৮-১৯গী সিজনদা ইংলিস প্রেমিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা লৈচেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিয়নগা লম্বা তৌনরকখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ১১শুবা মিনট য়ৌশিল্লকপদা লৈচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা টিমোথি কষ্টানেনা টিম অদুগী শান্নরোয় দেনিস প্রেটনা পীরকপা বোল অমদা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল শোথরবা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিয়নগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা কান্নবা ফংখিদে। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা লৈচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় জেমি বার্দিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অদুনা মাঙজৌননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লৈখিবা অদুদগী মখা তানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা হেল্লগা মেচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা নকশিনখি।

লৈচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২-০ মাঙজিল থাখিবা অদু মখা তানা হেনগৎননবা হোৎনরকখিবা অদু মেচকী ৮৪শুবা মিনটতা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমখি। টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা জেমি বার্দিনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিয়নবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং এবর্টন লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা এবর্টনগী মায়কৈদগী লুকাস দিগেনা পীরকপা বোল অমদা দোমিনিক লেৱিননা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা লৈখিবদু মখা তাবা পাঞ্জল লৈতবদগী মায় পাকখি।

ভেলেনসিয়া ফুটবোল ক্লবনা লিভান্টে এফ সীবু ৪-২ দা থোইখ্রে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): স্পেন লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী কুমজা ২০২০-২১ সিজনগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ভেলেনসিয়া ফুটবোল ক্লবনা লিভান্টে এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মাদ্রিদতা লৈবা মেষ্টালা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লা লীগাগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ভেলেনসিয়া অমসুং লিভান্টে শান্নরকপগী অহৌবা মিনটতা জোস লুই মোরালেসনা লিভান্টেগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অহৌবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মিনট ১২ লৈরগা ভেলেনসিয়াগী মায়কৈদগী কাং-ইন লিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট গেব্রিয়ল পোলিষ্টানা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ য়ৌদ্রিঙৈ শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা লিভান্টেগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জোস লুই মোলারেসনা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জোর্গে মিরামোনননা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ভেলেনসিয়াবু মখোয়বু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

ইকুই কুইদনা ভেলেনসিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লায় তৌবা ঙমখিবা কাং ইন-লিনা অমুক্কা হন্না খায়দোরকপা বোল অমনা টিমমেট মেক্সিমিলিয়ানো গোমেসনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-২দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ভেলেনসিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর পীবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী দেনিস সেরিসেবনা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা ফংখিবা বোল অমা মফম চানা খায়দোরকপদা টিমমেট মেন্যুয়ল ভালেজোনা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লিভান্টেবু ৩-২দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল ৩-২দা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা ভেলেনসিয়াগী মায়োক্তা লিভান্টেনা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা শান্নবগী লেমহৌরিবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু ভেলেনসিয়াগী মিদ ফিল্ডদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অমদি দিফেন্দরশিংনা কাঙলোন চুম্না মখোয়গী গোল অদু ঙাক শেনখিবা ঙন্না মরম ওইরগা ইক্বেলাইজর অদু লৈহনখিদে।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুরবদা ভেলেনসিয়াগী ৩শুবা পাঞ্জল চনখিবা মেন্যুয়ল ভালেজোনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল চল্লগা লিভান্টেবু মখোয়না ৪-২ দা থোইখি।

ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু অনীশুবা ৱানদে মেচতা রন ২৪দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ মেচ ১-১দা মান্নদুনা লৈখ্রে

মেনচেষ্টর, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দদা লাক্তুনা শান্নরিবা ৱানদে ক্রিকেট মেচ অহুমগী সেরিজগী অনীশুবা মেচ অদু রন ২৪দা ইংলেন্দনা থোইদুনা মেচ অমমম মান্নদুনা লৈখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর সিটিদা লৈবা ইমিরেটস ওল্ড ত্রাফোর্ড ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৱানদে সেরিজগী অনীশুবা মেচ অদুদা য়ুম্বু ইংলেন্দনা টোচ ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি।

ইংলেন্দগী ইনিংস অদুদা অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা বেটচমেন ৯ আউট ওইরগা রন ২৩১ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফীভম শোকখি। স্কোর বোর্দতা রন ২৯ খক্তা ঙাইরিঙৈদা বেটচমেন ২ আউট ওইখি।

ওপনর বার্ষ্টো রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মদুগী মতুং অতোপ্পা ওপনর রোয় রন ২১ লৌরম্লগা আউট ওইদুনা ইংলেন্দগী ইনিংস অদু ওভর ৭ শুরকপদা শুপ্পগী রন ২৯না ৱিকেট অনী তুখি। অহুমশুবা বেটচমেন জো রুট অমসুং কেপ্টেন ইওন মোর্গননা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপতা শান্নবা হৌরকখি। মখোয় অনীনা হান্না লৈরম্বা স্কোরদগী পুন্না রন ৬১ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর অদু ৯০ য়ৌহনখি।

জো রুট ফোর ৪ অমসুং সিক্স ১ য়ৈরম্লগা রন ৩৯দা আউট ওইখি। মখা তারকপা বেটচমেন অনী জোস বটুলর অমসুং বিলিংস মথংশিংনা রন ৩ অমসুং ৮ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী ইংলেন্দগী ইনিংস অদু ফীভম শোকখি। টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ১৪০ খক লৈরিঙৈদা ৱিকেট ৬ তুখি। মখা তানা অপূনবা স্কোরদা রন ৯ খক হাপচিনবা ঙম্লিঙৈদা বেটচমেন অনীসু আউট ওইহনবা ঙমখি।

রন ১৪৯ লৈখ্রবা মতুং ৱিকেট ৮ আউট ওইখ্রগা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৯শুবা বেটচমেন তোম কুরন অমসুং ১০শুবা বেটচমেন অদিল রাসিদনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্শিপ অমা শেমদুনা ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর অদু ২২৫ য়ৌল্লকখি। কুরন রন ৩৭তা আউট ওইখিবদগী ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর অদু ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা রন ২৩১দ লোইশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী জম্পানা ৱিকেট ৩, ষ্টার্কনা ৱিকেট ২ অমদি হেজলৱুদ, কমিন্স অমসুং মার্সনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

মেচ অদু মায় পাক্নবা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ২৩২ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা হৌরকপদা ফজরম্লবসু ইংলেন্দগী বোলরশিংনা লাকশিনবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন অরোন ফিন্সনা রন ৭৩ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি।

ওপনর দেবিদ ৱার্নর রন ৬ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা মার্কস ষ্টোইনিসসু রন ৯ দা আউট ওইখ্রবা মতুং মার্নস লাবুসিঙ্গেনা রন ৪৮ লৌরম্বা অদু য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা স্কোর ওইখি।

ইংলেন্দগী বোলরশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটচমেনশিংগী পার্টনর্শিপ অসি মচেৎ তানা থুগায়বা ঙমদুনা অচৌবা স্কোর অমদা লৈহনখিদে।

তরুকশুবা বেটচমেন এলেক্স কেরিনা রন ৩৬ লৌখিবা অদুমক্তদা মখা তারকপা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটচমেন অমত্তা রন ১২ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবদগী টিম অদুগী ইনিংস অদু অপীবা ওভর ৫০ য়ৌগদবা বোল ৮ ৱাৎলিঙৈদা বেটচমেন ১০ মক আউট ওইরগা শুপ্পগী রন ২০৭ খক লৈখিবদগী মেচ অদু ইংলেন্দনা মখোয়বু রন ২৪ দা মায়থীবা পীখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বোলর জোফ্রা আর্চর, খৃস ৱোক্স অমসুং সাম কুরননা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটচমেন ৩/৩ আউট তাহন্দুনা মেচ অদু মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

শান্নরোয় ৬ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সফরগীদমক্তা এপ্লাই তৌরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ক্লবশিংদা ত্রান্সফর তৌনবগীদমক্তা ঙসি শান্নরোয় ৬না এপ্লাই তৌরকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ক্লব অমা ওইরিবা য়ং ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরোয় আর কে রোবিননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্লাসাদা শরুক য়াননবা এপ্লাই তৌরকখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী শান্নরোয় ওইনাম সনাতোম্বসু ক্লাসাদা শরুক য়ানবা এপ্লাই তৌরকখি।

বিষ্ণুপুরগী ফুটবোল ক্লব ক্লাসাদা য়াওননবা ত্রান্সফরগী চেথাগৎলকপদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অনী অদুদি, ইম্ফাল ইষ্টকী ফুটবোল ক্লব এ আই এমগী লৈচোম্বম বিনাতোন অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্লব জি এস সীগী লুনমিনলেন হাওকিপনি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফুটবোল ক্লব নিশাগী শান্নরোয় থেময়ুই জাজোনা ইম্ফাল ইষ্টকী ফুটবোল ক্লব এলেভেন ষ্টারদা ত্রান্সফর তৌনবগীদমক চে থাগৎলক্লে হায়না অস্ফাগী ত্রান্সফর কম্মিটিগী কনভিনর অমসুং এসোসিএসনগী অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবনা ঙসি থোকখিবা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন লিগে ৱানগী অনীরকশুবা মেচ মায়থীবা নংখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগকী রন্নরস অপ তাখ্রবা ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন ঙরাং ফ্রান্সকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লিগে ৱানগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মার্সিয়লগী মখুৎতা মায়থীদুনা অনীরকশুবা লিগ অসিদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে।

ঙরাং পার্ক দেস প্রিন্সেস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লিগে ৱানগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মার্সিয়ল ফুটবোল ক্লবকা লম্বা তৌনখিবনি। মেচ অদুগী পুংখায় ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

পেরিস সেন্ট জর্মেনগী অহৌনবা মেচতা লেন্স ফুটবোল ক্লবকী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবনি। ঙরাংগী মেচ অদুগী ৩১শুবা মিনটতা মার্সিয়লগী মায়কৈদগী দিমিট্রি পায়টনা পীরকপা বোল অমদা ফ্লোরিয়ন থোবিননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা মেচকী মতমশিং অদুদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংদনা মায়থীবা নংখি।

মেগনস কার্লসন অমসুং হিকারু নকামুরানা চেম্পিয়ন্স সো দাউন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী জোইন্ট ৱিনর ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা চেছ শান্নরোয় ১০ না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরকপা চেম্পিয়ন্স সো দাউন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নবা লোইশিনখিবা ৯ শুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোর্ৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরানা পোইন্ট মান্ননা ফংমিন্নদুনা জোইন্ট ৱিনর ওইখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা রাউন্দ ৩দা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসননা হান্না রাউন্দ তরুক লোইশিনবদা ফংখিবা পোইন্ট মরি অদুগী মথক্তা পোইন্ট অনী হাপচিন্দুনা অপূনবা পোইন্ট তরুক য়ৌবা ঙমখিবনি। মদুগা চপ মান্ননা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরাসু টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ তরুক্তা পোইন্ট মরি ফংলম্বদগী ঙরাং মখা তারকপা রাউন্দ অহুমদা অহেনবা পোইন্ট অনী হাপচিন্দুনা পোইন্ট তরুক ফংলগা কার্লসনগা লোয়ননা জোইন্ট ৱিনর ওইখিবনি।

কার্লসননা ঙরাং তরেৎশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পিটর স্বিদলরবু মায়থীবা পীখি। ৮শুবা রাউন্দদা কার্লসন অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর পেরেস দোমিনগেজ দ্রো চৎখি। অদুগা কার্লসন ৯শুবা রাউন্দদা মমাঙদা রাউন্দ তরুক লোইশিল্লকপদা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবা আর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়নগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নবদগী পুন্না পোইন্ট তরুক ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী জোইন্ট ৱিনর ওইখিবা য়ু এস এগী হিকারু নকামুরানা তরেৎশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় ৱেসলি সোগা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং ৮শুবা রাউন্দদা ইরানগী শান্নরোয় ফিরোজাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকখি। লোয়ননা ৯শুবা রাউন্দদা নকামুরানা রসিয়াগী স্বিদলরগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট তরুক ফংবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পোইন্ট মরি মখায় ফংদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখিবা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ন ৭শুবা রাউন্দদা ভেটরান শান্নরোয় রসিয়াগী গেরি কাস্পারোগা দ্রো চৎখি। ৮শুবা রাউন্দদা মহাক ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর বেসিয়র লাগ্রেবকী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবনি। অদুগা ৯শুবা রাউন্দদা অরোনিয়ন অমসুং টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা দেনমার্ককী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনগা দ্রো চৎখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লদাখতা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ফেসিলিটিশিংগী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা লৈবা লেহাট ওপন ষ্টেদিয়মদা সিন্থেটিক ট্রেক্ট অমসুং ফুটবোলগী এষ্ট্রো-টর্প শেমগৎনবগী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা লুপা ক্রোর ১২ রোম চঙগদবা শান্নবগী তোঙান তোঙানবা ফেসিলিটিশিংগী খুদোংচাবা থম্নবা হোৎনখিবনি। লেহাট ওপন ষ্টেদিয়মদা লৈগদৌরিবা সিন্থেটিক ট্রেক্ট অমসুং ফুটবোলগী এষ্ট্রো-টর্প অদু চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১০.৬৮ চঙগদৌরি। লোয়ননা প্রোজেক্ট অদু মথং চহীগী জন্যুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়না পান্নরি।

এন দি এস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শেমগৎকদৌরিবা জিমনেজিয়ম হোল অদু চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১.৫২ চঙগদৌরি। হায়রিবা হোল অদু কুমজা ২০২১গী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা মফম অদুগী শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা অহেনবা পূক্নিং থৌগৎনবগীদমক্তা থবক পীদুনা অমদি ইন্সেন্টিভ পীবগা লোয়ননা শান্নবগী হীরমদা থাক ৱাংখৎনবগীদমক পূক্নিং চিংশিনখি।

লদাখকী য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমদা তোয়না ফংলোইদবা মশান্না অমা আইস হোকি অসিসু হেন্না খুম্মাং চাউখৎননবগীদমক্তা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকনি হায়রি।

খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবাক শিনবা থুংনা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ২৩ লিংখৎপগী খোঙথাং অদুগা মরী লৈননা লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদসু মফম অদুগী ওইবা অখন্নবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন লৈরগদি সেন্টর অসি থম্বগী মথৌ তারক্কনি হায়খি।

লদাখকী লুটেনেন্ট গভর্ণর আর কে মথুরনা কিরেন রিজিজুদা থমখিবা ৱাফমদা লদাখতা লৈরিবা শান্নবগী পোটেন্সিএলশিং অদু মওং-মরিল তানা শেমগৎনবগীদমক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মথৌ তাবা শান্নবগী মচাক-মথুম অমদি শান্নফমশিং মরিক চুম্না পীবীনবা অমদি মফম অদুগী শান্নবা পামজবা মীওই কয়া অমা লৈরিবা অদু অহেনবা থাক্তা পুরক্নবগী মতেং পীবীয়ু হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com